# ওক্তা অশঙবা মনা মশিং অমদি চগুম চনায় হাপ্লগা পীজবা

**সরাংথেম জেসমারানি**

ওক লোয়বা মতমদা চগুম চনায় নত্তনা অতোপ্পা বিজ্ঞানিক্কী ওইবা মওংদা শেম্লগা পীজরগদি ওক য়োকপদা চঙলিবা অপূনবা শেনফমগী চাং চাদা ৭০-৭৫ দি মচিঞ্জাক্তা চঙই। অদুবু মফম অসিদদি ওক মপুশিংনা চগুম চনায় হাপ্লগা পীজবনা ওক লোয়বদা শেন্দোং য়াম্না লৈহল্লি। তৌবতবু হায়রিবা মচিঞ্জাক ময়ামশিংসি পীজবা মতমদা কাঙলোন চুম্না পীজরগদি হেন্না অফবা ওই।



য়ূমথোঙ খুদিংগী ইরায় লায়না ফংলিবা, অমরোমদা মাঙহল্লগদবা চগুম চনায়, শা-ঙাগী শেম শাবদা লেমহৌরবা থিবোঙ-থিরিল, য়ু শুংবদা লেমহৌবা য়ুপঙ নৎত্রগা য়েন লোয়বা ফার্মগী ৱাই য়াওদবা অশেংবা য়েনথিনা মরু ওইবা ময়াল ওইহল্লগা চেঙকুপ, পাঙখোক, ঙাকুপ হাপ্তুনা মুন্না ফুৎলগা ভিটামিন, মিনরেল, থুম্নচিংবা হাপ্লগা পীজবা য়াই। অসুম্না ওক্কী মচিঞ্জাক শেম্নবা হোৎনবদা তঙাইফদনা ওক্কোনগী মনাক নক্লা চেক্লা কোয়শিনবীরগা চগুম চনায় খুদিংমক হান্না অনী অহুল্লক চামথোকপীরবা মতুংদা চেঙকুপ অমদি অতোপ্পা মনা-মশিং হাপ্পীরগা ওন্লগা থন্বীগনি। মতৌ অসুম্না শেম শারবদি দানা থোংবগী মতম মাঙদবতা নত্তনা মৈ থানবশিংগী খরচ হন্থহল্লি অমদি ওকোন্দা কাংমৈ খুহল্লি। ওক্কী মচিঞ্জাক শেম্বদা চেঙকুপ ৱাইকুপ, লফু, পাঙখোকলানচিংবা মনা-মশিং খরখক্তা ফুৎলগা পীজদুনা ওক য়োকপা নৎত্রগা য়ুপঙ, হোটেলগী চগুম চনায় খক্তগা পীজবসি চৎনবী অমা ওইনা পীজনরি। অসুম্না নোংমগী মবুক থন্নবা খক্তা খন্দুনা য়োকপদগী অফবা মখলগী ওক অমোমশিংদা মতম চানা হিট লাক্তবা, চাগোক ফত্তবা, অশোনবা নৎত্রগা অশিবা মচা পোকপা, মখোম থোক্তবনচিংবগী লায়না কয়া অমা লাক্তুনা মতম শাংনা মচা পুথোকপা য়াদবগী অমাঙবা য়াম্না তোয়না থোকই। ইন-খৎলক্লিবা ওকশিংদনা চাউখৎপগী চাং ৱাৎতুনা শোন্দম নাদম্নবা য়াওরকই অমরোমদনা মরাং কায়না ফংই হায়দুনা য়ুপঙ নৎত্রগা চগুম চনায় খক্তা পংহৈদা হৈজিন্দুনা পীজবদগী য়েংবদা নোয় পেন্না উজরগসু পেরলাইসিসনচিংবা তৌরক্তুনা মতম শাংনা য়োকপা য়াদবগী অমাঙবসু থোকই। অসম্না নোয়হল চাউহল্লগা য়োম্থোকখিগদবা ওকশিংদা ঐখোয়না পাম্লিবা পান্দম অদু য়ৌনা মতম চানা চাউহনবা ঙমদে। করিগুম্বদা মচিঞ্জাক্তা প্রোটিন, মিনরেল অমসুং ভিটামিন ৱাৎপনা মরম ওইদুনা ওকশাদা থাউগী শরুক্না মশলগী শরুক্তগী হেনবদগী ওকশাগী মগুন য়াম্না থিনা হন্থে। অশোয়বা ময়ামসি মায়োক্নদনা শেন্দোং লৈনা ওক য়োকপা ঙম্নবা লমদমসিদা ফংলিবা মচিঞ্জাক্কী মচল ময়ালশিং অসিনা বিজ্ঞানিক ওইবা লৌশিং খরা শীজিন্নরগা মচিঞ্জাক শেম্বা তাই। করিগুম্বা ওক্কী মচিঞ্জাক্তা য়ুপঙ ওইনা হাপ্লগা পীজবা তারগদি মচিঞ্জাক্তা চাদা ৩০-৪০ দগী হেন্না পীজবীরোইদবনি। অসুম্না চগুম চনায় ওইরগসু চাদা ৩০-৫০ ফাওবগী মনুংদা পীজবীগনি অদুবু চেকশিনবীগদবা অমনা মচা পোকহন্নবা য়োকপা ওক হাতম অমসুং গর্ভ পুরবী ওকশিংদা চগুম চনায় অমদি য়ুপঙগী চাং খরা হন্থহন্দবা য়াদে। গ্রোৱরশিংদা পীবা চগুম চনায় নৎত্রগা য়ুপঙগী চাংদু মচা পুথোক্কদবা হাতমশিংদা পীরবদি নোয়থোকমনখিদুনা মচা পুথোকপদা বেরা তৌবা য়াওরকই। ফিনিসরশিংদা হায়বদি হাতমশিংদা পীবা চগুন চনায় নৎত্রগা য়ুপঙগী চাংদু গর্ভ পুরবী ওকশিংদা পীরবদি অশোয়বা মচা পোকপা, মখোম থোক্তবনচিংবা থোকহল্লি। মরম অসিনা মচা পুথোক্কদবা হাতমশিং অমসুং গর্ভ পুরিবী ওকশিংগী মচিঞ্জাক তোঙান্না শেম্বীবা মথৌ তাই।

ওক্কী মচিঞ্জাক শেম্বদা ব্রোইলরগী অনৌবা মথি হাপ্লগা চেঙকুপ, চুজাক, হঙ্গাম, থাউথি, ঙাকুপ, পাঙখোক অমদি থুমগা পূন্না মুন্না ফুৎলগা অতোপ্পা মিনরেল, ভিটামিন, থুম য়াল্লগা পীজবদা য়াম্না কান্নবা ফংই। ওক্তা মফোনগী শরুক অমদি চগুম চনায় পীজ-পীজনা নুমিৎ খুদিংগী অশংবা মনা-মশিং (শজিক) পীজবীগনি। ওক্লাওশিংদা পোকপদগী নুমিৎ ১৫/২০ শুবদগী অশংবা মনা মশিং পীজবা তন্বীগনি। শজিক পীজবা মতমদা ফাল্লুবা শজিক্তু ওকশিংদা খুদক্তা পীজবীরোইদবনি। ফাল্লুরিবা শজিকশিংদু নুংশাদা হাইফেৎ মথক-মখা ওল্লগা ফৌদোল্লবা তুংদা পীজবীগনি। মসিনা মথি অপেৎপা ফাইবগী চাং হন্থগনি অমদি তীল লৈবগী চাংসু হন্থগনি।

শজিক ফজনা চাবা ওকশিংদদি মখোয়গী মচিঞ্জাক্কী শরুক্তগী শজিক্লা চাদা ১০-৩৫ না মহুৎ শিনবা য়াই। শজিক্তগী ওকশিংনা মথৌ তাবা ন্যুত্রিয়েন্টশিং লোয়না ফংবা ঙমদ্রবসু শজিক পীজবনা মখাগী কান্নবশিংসি পীরি।

- শজিক পীজবনা মচিঞ্জাক্কী খরচ য়াম্না হন্থহনবনা মরম ওইদুনা শেন্দোং হেন্না ফংহল্লি।
- ভিটামিন খুদিংমক শজিক্তগী ফংবা ঙম্মী।
- অফবা মখলগী শজিক্লা ওকশিংদা প্রোটিন মতিক চানা পী।
- মসিনা ওকশিংদা মশা মউ ফবা অমদি অনা অয়েক্কী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। লোয়ননা চাউবগী চাং য়াম্না থুহল্লি।
- শজিক মরাং কায়না পীজরগা য়োকপা ওকশিংনা পীজদনা য়োক্লকপা ওকশিংদগী অফবা মচা পুথোকপগী মগুন য়াম্না হেল্লি। লোয়ননা চাগোক মশীং হেন্না থন্বা য়াই।

ঐখোয়গী লমসিদদি অফবা শজিকশিং মরাং কায়না ফংদবনিনা মফমসিদা ফংলিবা শজিক মখলশিং খুদম ওইনা হায়রবদা চাকহৱাই মনা, চুজাক মনা, মতম মতমগী য়েঞ্জাং-নাপীশিং, ইঞ্চোল-লৌবুক্লচিংবদা হৌরিবা ওক্লা পাম্না হাওনা চাবা অথোৎপা নাপীশিং মরু ওইনা কবোনাপী, পেরা গ্রাস (মতু চোন্বী), হুপনচিংবা মচিঞ্জাক ময়ামসি পীবা য়াই।

কাঙলোন চুম্না মচিঞ্জাকশিংসি পীজদুনা য়োক্লগদি মশা মউ ফনা লৈবা ঙমহনবদা নত্তনা মতম চানা হীট লাক্তুনা গর্ভ পুবা ঙমই। পোক্লকপা মচাশিংগী ফীভম অমদি মপীগী খোমথোক্তা অশোয়বা কয়া লৈতে। মপাশাগী মচা পুথোকপগী মগুন্দা অৱাৎপা লৈতে। ●

# য়ূমথোঙ কয়াদা লৈরিবা অপিকপা পুখ্রিশিংবু ফেমিলি ফার্মিংগী শরুক অমা ওইনা শীজিন্নবা

**ডোঃ য়ূম্নাম বেদজিৎ**

মতম খরগী মমাঙদদি য়ূম অমা লৈরবদি ঈশিং-মাইশিং শীজিন্ননবা পুখ্রি অমদি চাননবা মনা-মশিং থানবা ইঞ্চোল মচেৎ অমা শুংশোয় শোয়দনা লৈনরম্মী। পাক চাউনা লৌউ-শিংউবগী থবক পায়খৎপা নৎত্রবসু য়ূম অমদা লৈরিবা মীওইশিংনা মখোয়গী চান-থক্লবগীদমক্তা য়ূমগী অকোয়বদা লৈরিবা ইঞ্চোল খরা অদুদা মনা-মশিং থাদুনা অমদি শা-ঙানচিংবা য়োক্তুনা পোত্থোক কয়া পুথোকপগী থৌওং অদুবু ফেমিলি ফার্মিং হায়না খঙনৈ। হায়রিবা থৌওং অসিদা ফজনা চৎনরম্মী। তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তি খরা হন্থরে। অদুবু ঐখোয়গী লমদম অসিগী মফম কয়াদা হৌজিকসু য়ূমথোঙ কয়াদা চৎনরিবা থৌওং অমনি ফেমিলি ফার্মিং।

ফেমিলি ফার্মিং হায়বসি ঐখোয় মীওইবগী মচি ওইবা চিঞ্জাক ফংহন্নবগী পান্দমদা য়াম্না মরু ওইবা থৌওং অমা ওইরক্লি। ফেমিলি ফার্মিংনা মালেমগী ওইনা চান-থক্লবা চিঞ্জাক ৱাৎহন্দবগী পান্দমদা লৌরিবা থৌদাং অদুবু মশক খঙবা ওইনা কুমজা ২০১৪বু ইন্টরনেসনল য়র ওফ ফেমিলি ফার্মিং হায়না লাউথোকখ্রবনি। হায়রিবা অসিগী মরুওইবা পান্দমদি মৈহৌরোলদগী লৈরক্লবা লৌউ-শিংউ পথাপ, অকোয়বগী ফীভম কায়হন্দবা অমদি খুন্নাইগী ওইবা অফবা থৌওং কয়াবু খোমজিন্দুনা অফবা চাওখৎ থৌরাং কয়া লৌখৎপদা য়াওহন্নবা হোৎনবনি। পিক্লবসু পিকনা ফেমিলি ফার্মিংনা মালেমগী ওইনা চিঞ্জাক্কী অৱাৎপা লৈহন্দনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরি। মণিপুরদসু থৌওং অসি মতম কয়াগী মমাঙদগী চৎনহন্দুনা লাক্লবনি।

মণিপুরদা লৈবা মীওই অয়াম্বনা ঙা চাবা অমদি থৌদোক ৱাথোক কয়াদা ঙা চংদবা য়াদবা পোৎচং অমা ওইবা মরম্না ঙাগী ঙাথোক হেনগৎহনবা হায়বসি তঙাইফদ্রবা অমনি। ঐখোয় পূম্নমক্লা ইশা-ইশাগী লৈজরিবা লম খরা খরা অদুদা শুংশোয় শোয়দনা ফেমিলি ফার্মিংগী লৌউ পথাপ পাঙথোকপীদুনা চাবা-থকপদা ৱাৎতবা লমদম অমা ওইহনবদা শরুক য়ামিন্নরসি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা মমাঙঙৈদগী লৈরক্লবা অপিকপা মফমদা হায়বদি য়ূম খুদিংগী পাঙথোক্ল রিবা থৌওং অসিদা মনা-মশিং থাবা, উহৈ-ৱাহৈ থাবা অমদি শা ঙা য়োকপনচিংবশিং য়াওরি। হায়রিবা থৌওং অসি অহল-লমন্না মখোয়না থেংনরুবদগী খঙলকপা লৌশিং অদু মথং মথং তাক্লমদুনা হৌজিক ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টেম হায়না থৌওং অসিগা মান্ননা পাঙথোক্লরিবনি।

ঐখোয়গী য়ূম য়ূমগী লৈনরিবা পুখ্রি মচাশিং অসি চাননবা ঙা পুথোকপদা নত্তনা লৈতেংগী ওইবা ঙা য়োকপা অমদি ঙা মচা পুথোক্লবগীদমক্তা শীজিন্নদুনা শেল তানবা য়াবা অমসু ওইরি অমদি ইমুং অদুগী মচি ওইবা চিঞ্জাকসু ফংহল্লি। অপিকপা পুখ্রিশিং অসি অয়াম্বা মতমদা য়াম্না লুবা ওইগন্দে। মরম অদুনা নুংশিত্তগী শ্বর হোনবা ঙম্বা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙামু, ঙাক্রা, উকাবীগুম্বা ঙাশিং য়োকপদা চান্নগনি। ঐখোয়গী লমদম অসিদা হান্নদগী লৈজরক্লবা তৌইগুম্বসুং মশীং য়াম্না হন্থরবা ঙাশিং খুদম ওইনা হায়রবদা ঙানপ মখল খরা, ফাবৌঙা মখল খরা, ঙাক্রানচিংবা ঙাশিং য়োক্তুনা মাঙখিগদৌরবা ঙাশিংবু কনবদসু অচৌবা থৌদাং লৌবা ঙমগনি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী চত্থদুনা লাক্লিবা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিংগী থৌওং অসি বৈগ্যানিক ওইবা থৌওংদা চত্থদুনা ইমুং মনুংগী শেল থুমগী ফীভম ফগৎহনবা ঙমগনি। তৌইগুম্বসুং মফম মতম অমদি মফমদুগী অঙৈং-অশাগা চানবা থৌওংশিং থিজিন্দুনা পুথোকপগী তঙাইফদবসু লৈরি। মসিদসু নত্তনা ফেমিলি ফার্মিংদা শরুক য়াবিরিবা মীওইশিংবুসু তৌগদৌরিবা থৌওং অদুগী মতাংদা মপূং ফানা খঙহননবা ত্রেনিং অমদি থৌওং কয়াগী মতাংদা তাকপী তন্বীবগী তঙাইপদবসু লৈরি। ●



# মিট (শাদোং) গী ক্বালিটি খঙদোকপা অমদি কুইনা থম্নবগী মওং

**ময়াংলম্বম ওলিম্পিওন**

মালেমসিদা লৈরিবা লৈবাক ১৯৫ হেনবসিগী মাগী-মাগী লোন, কলচর অমদি চিঞ্জাক তোঙান তোঙানবা লৈজে। মসিনা অহানবদদি কন্ত্রি অদুখক্কী ওইরম্মী। অদুবু চাওখৎলকপগী মতুংইন্না অনৌবা মহাও থিরকপা, শেম শাবগী মওং অদু ইন্টরনেটতা ফংবা, লম কোয়বা চৎপদা চারকপদুনা হৈনবী ওইনখিবা কয়াদুনা চিঞ্জাক হায়বসি কন্ত্রি অদুখক্কী প্রাইভেসি ওইরক্ত্রি, মীয়াম্না পাম্না চানরিবা Hamburger (burger) হায়রিবসি জর্মনিগী পোত্থোকনি। মৈতৈ ঐখোয়গীসু হেন্তাক, ঙারি মমিং চৎলি। ঐখোয়না মিট হায়বদা খঙনরিবসি beef, pork, buffalo meat, rabbit meat, chevon meat খক্তমক য়োনবা/চাবা য়ারি। হুইদি ইন্দিয়াগী ওইনা য়োনবা অমদি চাবা ইলিগেল ওই হায়না পল্লি। অদুগা শাদোং চাবগী হৈনবী অসি নোংম-নোংমগী তপ্পা তপ্পা থাদোরক্লিবসি হকচাং ফৎচিল্লক্তবসিনা ওইরি। হকচাংগী খক্তা নত্তনা লাই নীংবা, শেল লৈতবদগী চাখিদবা, নোয়বগী লায়না নারক্কনি হায়বগী অকিবা ফাওবা অমদি মীনুংশি পোকপদগী অহিংবা জীবশিংবু চাবা ঙমদবা অসিনচিংবনি।

শাদোং চাবগী কান্নবা অমসুং কান্নদবা লৈরি। ঙসিগী টোপিক অসিদি শাদোং চাবগী কান্নদবদু হেন্না পঞ্জররোই, অহল ওইশিল্লকপদা শা-ঙা চাশিনবনা হার্ট, কিদনিশিংদা ফুনবা য়াওরকপা, অমাঙবা ওইরকপা, দাইবেটিস, ওবেসিটি লৈবশিংগী ওইনসু চিঞ্জাক ককপীগদবনি। মালেমসিদা মিট চাবা মী অসি চান্মদা ৯০ হেল্লি। মিট ইন্দষ্ট্রি অমদি বিজিনেসনা ইন্দিয়াদদি মীওই ১.৯ ক্রোর থবক পীরি। অদুগা ইনকমদা অপূনবা সেক্টরদগী ১৬% হেন্না লাকহনবা ঙল্লি। মীয়ামদা কান্নবতা নত্তনা মশাসু হিংবা ঙমহল্লিবা করবার অসিবু মীওই খরনা অরানবা মওংদা শাদোং য়োনবা য়াওরি। অসিদা নত্তনা হুই, উচেক অমদি শজিবু তূমিন্না য়োনবা য়াওরি। অদুগা মশা নাদুনা লৈবা জীব, মতোমতা শিজবমক ওইদ্রবসু শাদোং অদু মতম কুইনা এক্সপোজ তৌরবদি শাদোং অদুগী texture হায়বদি ফীভম অদু শোক্লা উগনি। মসি মতৌ করম্না খঙগদগে হায়বদু লৈদ্রিঙৈদা/চাদ্রিঙৈদা খঙমিন্নহৌরসি।

১) মিট কলর (শাদোংগী মচু) : মিট অমবু ফ্রেশ নৎত্রগা রো হায়না খাইদোকই। ফ্রেশ মিটতা ঐখোয়না মতম খরা ফ্রীজিং তৌদুনা থল্লবদি মদু রো মিট হায়না খঙনৈ। মিটকী মচুদি শা খেন্নবনা, চহী মান্নদবা অদুগা মসলশিংগী মরক্তসু খেন্নে, মসি মসলদা য়াওবা myoglobin গী pigment অসি খেন্নবগীনি। মথাদা থমজরিবসি শাদুগী শাদোংদুদা মশাগী ওইবা মচু অদুনি, মসিদা খেন্নরকপা য়াওরবদি চাবিদনবা নীংশিংজরি।

| | |
|---|---|
| Mutton and chevon | Light to dark red |
| Pork | Greyish pink |
| Poultry | Grey white to dull red |
| Buffalo meat and Beef | Cherry red |
| Rabbit meat | Light red |

ঐখোয়না শা লৈবা মতমদা মচু অদু ব্রাউন কলরদা চঙলকপা তারবদি মদু কুইনা এক্সপোজ তৌদুনা থন্বীগনি অদুবু লায়না পকপা মিটশিংগী কলরদি শেন্বা লোইবগা মচু অদু ব্রাউন নৎত্রগা গ্রে ওইগনি। অসিগুম্বা থেংনরবদি চাবীগনু।

২) Marbling (শাদোং অদু লংখৎপগী শরুক য়াওবা) : মসি ঐখোয়না শাদোংগী মসলশিং অসি ককপা মতমদা মার্বলগুম্না লংখৎলগা লৈবা থাও (ফেটস) অদুবুনি। অসিগুম্লবা থাও অসি রেদ মিটশিংদা হায়বদি বীফ, পোর্কতা ফংই অদুগা ক্বালিটি লৈ-লৈতে হায়বদুসু খঙদোকপা য়াই। অসিগুম্লবা শাদোং অসি ককপা মতমদা মাগী uniform patters অদু কায়হন্দনা থন্বা ঙমহল্লি, থোংবা মতমদা মৈশা কল্লবসু নপশিন্দবা/কাশিন্দবা ওইহল্লি। ঐখোয়না থর্মেল প্রোসেসিং প্রিভেন্সন তৌখিবা শাদোংশিং অসি থোংবা মতমদা marbled গুম্না লংখৎপা শাশিংদি হৈগুম্না মহি হোন্মী অদুগা মনমসু নুংশি।

৩) Water Holding Capacity (ঈশিং চূপশিনবা ঙম্বগী গুন চেনবা) : ঐখোয়গী শাদোং অসিদা ঈশিংনা শরুক চান্মদা ৭৬ ওইরি। শা অমগী মশাদা য়াওরিবা ঈশিং অসি মখল অহুম থোক্লা য়াওরি-free water, immobilized অমদি bound water নি। ঐখোয়না শা অসেন্বা অদু ককপা, চান্বা মতমদা bound water হায়রিবসিখক লৈহৌগনি। অদুগা শাদোংদা অসুম্না ৪-৫% খক্তা লেমহৌরিবা ঈশিংগী শরুক অদুবুনি ঐখোয়না holding capacity হায়রিবসি। মসি য়াওবা শাদোং অদুদি থোংবদা মতোং অদু কায়থদে, মনম নুংশিহল্লি অমদি কনশিন্দে, অহাওবা হায়বদু ওই। মসি খঙনবা ঐখোয়না লৈবা মতমদা আইসতা হাপ্পগা থল্লল্লবদি মশা অদু ইকং কংশিন্না উগনি। রুম টেম্পরেচরদা শেন্বা নৎত্রগা পায়বা মতমদা মসিগী মচু অদু ওইদে, শা অদুগী থাও মানবা ফেটশিং অদু হন্থগনি। ইকং কংশিনবা ওইগনি।

৪) Types of breeds (শা অদুগী মখল) : মহৌশাগী অমদি খূৎশেমগী ওইবা শাশিংগী মখল কয়া অমা ফংলি। ঐখোয়না শাদোংগী মহাও অসি মান্নরে খল্লবসু সাইন্টিষ্টশিংনা থিজিনবদদি শা খুদিংগী ব্রীদস খুদিং মাগী মাগী ওইজবা মহাও লৈজরি। য়াম্না কম্মন ওইবা পোলত্রি বর্দস মরক্তসু য়েংবদা turkey, emu, kadaknath, broiler অমদি য়ূমদা লোয়নরিবা kuroiler শিং অসি অমগা অমগা মহাও খেন্নরি।

মথক্তা পঞ্জরিবশিং অসি নত্তবা শাদোং অদু পায়বদা চনপ-চনপ লাওখৈ নপ্পা য়াওরবা, ফ্রেশ ওইবা শাদোংদি মনম লৈতে, অদুবু কুইনা থল্লকপা শাদোংশিংদি মনম চেল্লকই। অদুগা অতোপ্পা খরনা মাগী লিভর, কিদনি অদু মরাং-মরাং শাংনা লাংবা থেংনরকপা নৎত্রগা উরিংদৌনা পোমথোকপা থেংনবীরবদি মদু চাবীদবনা ফৈ।

মথক্তা পঞ্জরিবা মওং-মতৌ অসি ওইরক্তনবা ঐখোয়না প্রিজর্ভ তৌদুনা থন্বা অসি তঙাইফদে। মতম কুইনা থমদ্রিঙৈ মমাঙদা তৌহৌগদবা খরসু লৈরি। শেন্বগী ককপা মতমদা পোলত্রি ওইরো, পিগ্নরি ওইরো, মুসলিমশিংগী ত্রেদিসনেল মেথোদ হায়বদি হলাল মেথোদ অসি সাইন্টিফিক ওইনা য়াম্না ফবা ষ্টেপ অমা ওইরি। মসিদা jugular vein দগী ফত্তবা ঈশিং অদু হকচাং মনুংদা চঙহন্দনা মপালদা ইরায় লায়না লৌথোকই। মসিনা মিটকী ক্বালিটিদুসু হেনগৎলি, অয়োনবা মীসু অদুগা য়ূমদসু তৌবা য়াবা, অতোপ্পা এঞ্জাং নাপিগুম্না শাদোংশিং অসিদি থন্বা য়াদে, মোইচর কন্টেন্ট ৱাংবা pH value neutral ওইবশিংসিনা মখোয়দা bacteria, fungi, microbes কয়া নপশিনখিদুনা শা অদুগী pH হোংহল্লি, অমাঙ অতা থোকহল্লি। মসিদগী ঐখোয়না শাদোংশিংবু মতৌ করম্না মতম কুইনা থমগদগে হায়বদু মখাগী কাঙলোন খরা অসিগী মনুংদা অমখক তৌবীরগা য়েংবীয়ু।

১) Chilling/Refrigeration : মতম খরখক্কী ওইনা শাদোং অদু থমগে হায়রবদি খ্বাইদগী লায়না রেফ্রিজিরেটরদা হাপচিন্দুনা থন্বীগনি। মসিদা মাইক্রোবস হায়বদি মীৎনা উবা ঙমদবা জীব য়াওরবসু মখোয়গী থুনা শন্দোকপগী মগুনশিং অদুদি হন্থহনবা ঙম্মী। অয়াম্বা মতমদা ঐখোয়না টেম্পরেটর অসি 2 দগী 5ºC ফাওবা থম্মে। ফ্রেশ মিট ওইনা রেফ্রিজিরেসন তৌদুনা থন্বা অসি নুমিৎ ৫দগীনা ৭ ফাওবা ঙম্মী। পোর্ককী ওইনদি মাইক্রোবিএল গ্রোথ ৱাংবা ওইবনা চ্যেক তোয়না তৌদবা য়াদে।

২) Freezing : ফ্রীজিং হায়বসি করিগুম্বা পোৎ অমবু লিক্যুদ ষ্টেটতগী সোলিদ ষ্টেটতা ওনখিবদুনি। মসি শাদোংগী প্রিজার্ভেটিবস অমা ওইনা তৌবা য়াই। হোটেলশিংদা অদুগা মপান লমদগী থাদোক্লরক্লবা ফ্রীজিং মেথোদ অসি শীজিন্নবনি। মসিনা থমনীংবা মতম অদুফাওবা থমদুনা মশাদা য়াওজরিবা কান্নবা কয়াদু অমত্তা মাঙদনা থন্বা ঙম্মী। ফ্রীজিং তৌদ্রিঙৈ মমাঙদা পেকিংগী ফিল্মনা য়োমশিনবীগদবনি অদুগা টেম্পরেচরনা -10ºC দগী -30ºC ফাওবা ওইগনি। থা কয়া চূপ্পা থমগে হায়রবদি এভরেজ টেম্পরেচর অসি 18ºC তা থমগনি।

3) Curing (থুমনা লোকপা) : ঐখোয় অয়াম্বনা গ্লোবল ৱার্মিং হায়বসি তারে। মসিদা রেফ্রিজিরেটর শীজিন্নবা, দীপ ফ্রীজরস কয়া শীজিন্নবা অসিনসু মতেং পাংলি। অসিগুম্বা থবক অসি খরদং হন্থনবা অদুগা ফ্রীজর থোরক্ত্রিঙৈগী মমাঙদগী শীজিন্নদুনা লাক্লবা ত্রেদিসনেল ওইবা মেথোদ অদুনি ঐখোয়না curing হায়রিবসি। মসিদা থুম ওইনা Sodium chloride, Sodium nitrite, sodium nitrate অদুগা সুগরবু শীজিন্নে। মসিগী থৌওংসিগী কান্নবসি মনম নুংশিহনবা, কলর মাঙহন্দবা, বেক্টেরিয়া অমদি মাইক্রোবশিংনা শন্দোকপা ঙমদবা ওইহল্লি, curing room gi temperature অসি 3-4ºC ফাওবা ওইগদবনি।

৪) Smoking : মৈখু থাদুনা শাশিংবু য়াইবা হায়বসি নোর্থ ইষ্ট ইন্দিয়াগী ওইনদি পাক শন্না তৌদুনা লাকপা থৌওং অমনি। মহৌশানা স্মোকিংগী মেথোদ অসি curing গী মথংদা তৌগল্লি। মসিনা কুইনা থন্বদা অকায়বা লৈহন্দে। স্মোকিং তৌনবা মশাগী মেছিন লৈজে, মসিদা 300ºC গী অশাবা অদু পীগনি। মিজোরামদা মমিং চৎলিবসি স্মোক পোর্ক হায়বসিনি, মসিগী তোঙানবা মহাও অমা পীবা ঙল্লিবসি মৈতান্দা য়াওবা ketones, aldehydes, phenols, organic acids ননি। মসি তোয়না চাবা নৎত্রগা মৈশা হেন্না পীরবদি carcinogenic ওইহল্লকই হায়বদি কেন্সর নারকপা য়াবগী ওইথোকপদুনি।

৫) Thermal processing : মসিদা উবা য়ারিবসি pasteurization হায়বগা steriliza-tion হায়বগা খাইদোকপা য়াই। থৌওং অনীমক মৈশা পীদুনা মহিক মতাইশিং অদু হাৎপা অদুবুনি। Pateurization গী ওইনদি ঐখোয়না টেম্পরেচর অসি 58 -75ºC ওইগনি। অদুগা Steriliza-tion গীদি 100ºC হেনগনি অদুগা মসিদা মহিক-মতাই লোইনা হাৎলবা মতুংদা কৌতাদা হাপ্পগা পেকেদ তৌবা য়াগনি।

৬) Dehydration ঈশিংগী শরুক অদু শাদোং অদুদগী পুল্লপ লৌথোকপদু দিহাইদ্রেসন মেথোদকী মনুং চল্লি। মসিগী পান্দম অদুদি মহিক মতাইশিং অদুনা ঈশিং য়াওদ্রবদা হিংবা ঙমদে অদুনা কুইনা থন্বা য়াবা অদুবুনি। ঐখোয়না য়ূমদা তৌবদি খরা ওইথোক্কদবা ৱাৎলি। মসি মিট পিকল ইন্দষ্ট্রিদা অয়াম্বা তৌনৈ। অশাবা নুংশিৎকী শাফু কল্লবা মেছিন মনুংদা শাদোংশিং অদুদা ফাওহন্দুনা দ্রায়িং প্রোসেস অদু তৌবনি। অতোপ্পা অমনা ভেক্কমদা হাপ্পগা অকনবা প্রেসর পীদুনা দিহাইদ্রেসন তৌবা য়াই।

ঐনা অরোইবদা থমজনীংবদি, মণিপুরদা অচৌবা slaughter house লৈতবনিনা ফার্ম তৌরিবা অমদি য়োল্লিবশিংনা শাদোংশিং অসি মতম চানা য়োনবদু ঙমহন্দে। অদুগা শিত্তবা শাদোংশিং অদুসু হুন্দোকপগী হৈনবীদি কয়া উদ্রি হায়বা য়াই। অপূন্বা য়াওদনবা দীপ ফ্রীজরস কয়া থম্নবা হোৎনরক্লে। শা অচৌবশিংদি হাৎলগা লম লাপ্পা পুরকপনা খুদোংচাদবা কয়াসু মায়োক্লরিবনি। অদুবু ঐনা তৌহন্নীংবদি গভর্ণমেন্টনা অকক্লবা শা য়োনফম অমা শেম্মগা লাইসেন্স পীদুনা চলাইহল্লগা শিত্তবগী অমাঙবা য়াওরকপদা শেল হঞ্জিনবীবা, শাদোং অদু নুমিৎ নীনিদগী হেন্না থমহন্দবা অদুগা শাদোংগী রেট অদুসু অকক্লবা রেট অদুদগী য়োনবা য়াদবশিং অসি তৌহল্লবদি মিট ইন্দষ্ট্রিদা মশা নান্না লৈনীংবা মতমদা ফ্রেশ ওইবদু লৈবা ঙমগনি থাজে। ●


রেদ মিট


অচৌবা স্লাউটর হাওসতা উবা শক্তম

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।